# ষ্টেট ৪ গী মীখল হায়দোকপদা কংগ্রেস তোরা তুরে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল দিসেম্বর ৮ :* হন্দক ইন্দিয়াগী ষ্টেট মঙা হায়বদি দিল্লি, রাজস্থান, মধ্য প্রদেশ, ছটিসগর অমদি মিজোরামদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট মঙাগী এসেমব্লিগী মীখলদা ঙসি ষ্টেট মরিগী মীখলগী ফল হায়দোকখ্রে। মিজোরোমগী ওইনদি হয়েংদগী ভোট মশিং থিবগী থবক চত্থগনি হায়রি।

ঙসি হায়দোকখিবা মীখলগী ফল অদুদা সিট ৭০ লৈবা দিল্লি এসেমব্লিগী ইলেক্সন্দা বিজেপিনা ৩১, আর্মদ অদামি পার্টি ২৮, কংগ্রেস ৮, অদরস ৩ ফংদুনা শাসন পায়রম্বা কংগ্রেস তোরা তুখ্রে। চৈরকসিদা কংগ্রেসকী চিফ মিনিষ্টর শিলা দিক্সিট চিফ মিনিষ্টরগী ফমদগী রিজাইন তৌবগী চেরোল দিল্লিগী গভর্নরদা পীশিনখ্রে।

সিট ১৯৯ লৈবা রাজস্থানগী মীখলদা বিজেপিনা ১৬২ ফংদুনা এবসোলুট মেজোরিটি ওইখ্রে, কংগ্রেসনা ২১, বিএসপি ১ অমদি অদরস ১৫ ফংখি। অথুবা মতমগী মনুংদা বিজেপিগী সরকার অমা ৱাশক লৌননবা থৌরাং তৌবা হৌখ্রে।

সিট ২৩০ লৈবগী মনুংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা সিট ২২৬ কী রিজন হায়দোরকপদা বিজেপিনা ১৬৫ ফংদুনা এবসোলুট মেজোরিটি ওইখ্রে। কংগ্রেসনা সিট ৫৮ ফংখ্রে। বিএসপি সিট ৫ অমসুং অদরসনা সিট ২ ফংখ্রে। মধ্য প্রদেশকী ওইনসু অথুবা মতমগী মনুংদা বিজেপিগী সরকার অমা শেম্নবগীদমক্তা থৌরাং তৌবা হৌখ্রে।

সিট ৯০ লৈবা ছটিসগরগী মীখলদা বিজেপিনা সিট ৪৯ ফংদুনা এবসোলুট মেজোরিটি ওইখ্রে। কংগ্রেসনা ৩৯, বিএসপি ১ অমসুং অদরস ১ নি। অথুবা মতমগী মনুংদা বিজেপিগী সরকার অমা শেম্নবগীদমক্তা শেম শাবা হৌনখ্রে।

হন্দক পাঙথোকখিবা এসেমব্লিগী মীখল অদুনা ২০১৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভাগী মীখলদা মখল অমত্তগী চৈথেং পীরোই। জেনরেল ইলেক্সনগা লোক সভাগী মীখলগা অদুক্কী মতিক খেন্নৈ। এসেমব্লিগী ইলেক্সন হায়বসিদি ষ্টেট অদুগী লৈরিবা কেন্দিদেটশিংগী পার্সোনেলিটিশিংদা দিপেন্দ তৌবনি হায়না কংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা মেদিয়াদা ফোঙদোকখ্রে।

কংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধী য়াওনা মেদিয়াগা উন্নখিবা অদুদা সোনিয়া গান্ধীনা হায়, হন্দক ষ্টেট মরিগী এসেমব্লি রিজল্ড হায়দোরকপদা কংগ্রেসনা য়াম্না থিনা মায়থিখিবা অদু পার্টিনা য়াম্না হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা কুপ্না খন্নরগনি। কংগ্রেসনা মায়থিখিবগী অচৌবা মরম অমনা পোৎ-চৈগী মমল হেনগৎখিবা অদুনসু মরম অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

মেদিয়ানা কংগ্রেসকী প্রাইম মিনিষ্টরিয়েল কেন্দিদেট লাওথোকখিদবা অমদি বিজেপি না মখোয়গী প্রাইম মিনিষ্টর কেন্দিদেট নরেন্দ্র মোদি ওইগনি হায়না লাওথোকখিবা অদুনা মরম ওইরগা কংগ্রেসনা মায়থিখিব্রা হায়না হংবা ৱাহংদা সোনিয়া গান্ধীনা হায়, ভারত সরকারগী ফজরবা পিদিএসকী সিষ্টেম মণিপুরদদি ফেল ওইদুনা লৈরি। এএৱাই / বিপিএলগী চেংশিং মীয়ামদা নিংথিনা ফংহনবা ঙমদ্রি। অহোংবা মমলদা থা অমদা এএৱাইগী চেং কেজি ৩৫ কার্দ হোল্ডর অমদা ফংহনগদবনি হায়রগসু ফংহনবা ঙমদ্রিঙৈদা মতৌ করম্না ফুদ্দ সেক্যুরিতি বিল মায়পাকপা ঙমগদৌরিবনো।

হৌজিক ফাওবদা চহী অসিগী প্লানগী শেলফম চাদা ১৫ গী চাংদগী হেন্না শিজিন্নবা ঙমদ্রি হায়না পাউচেশিংদা ফোংদোক্লরক্লিবা অসিনা চুম্বা তারগদি মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবা কংগ্রেসকী সরকার অসিগী এদমিনিষ্ট্রেসন ফেল ওইরে হায়বা তাক্লবনি।

হৌজিক দিসেম্বর থা য়ৌরক্লবা ফাওবদা প্লানগী শেনফম চাদা ১৫ দগী হেনবা ঙমদ্রিবা অসিনা তাকপদি সরকার অসিনা শেল শিজিন্নবা হৈত্রে হায়বা তাকপনি। ফাইনান্সিয়েল ইয়ার লোয়গদবা থা ৩ রোমগী চাংখক্তা ঙায়রে। ফাইনান্সিয়েল ইয়ার লোয়রমদাইদা চাওখৎ থৌরাংগী শেলফমশিং পুল্লপ লৌথোক্তুনা কংগ্রেসকী লুচিংবশিংনা য়েন্নবগী ফিভমদা লৈরে।

ভারতকী ওইনা হৌজিক হোংলক্লিবা রাজনিতিগী কাংলোন অসি খঙনা থবক তৌবা মতম ওইরে। মণিপুরগী মীয়াম্না লাক্লিবা লোক সভা মীখল অসিদা য়াম্না হৈশিংনা হোংলক্লিবা ভারতকী রাজনিতিগী কাংলোন অসি খঙনা বিজেপিগুম্না পার্টিদা শৌগৎতুনা পার্টি অসিনা থাগৎপা মণিপুরগী আউটর অমদি ইন্নর লোক সভাগী সিট অনিমক্কী মীরেপশিং মায়পাকহন্নবা হোৎনসি হায়খি।